


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, NOVEMBER 5, 2015 **PAGE 7**




*পেরিস মাষ্টর্স এ টি পি টেনিস টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা ব্রজিলগী টৌমাস বেলুচিবু মায়থিবা পীদুনা অনিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবা নুপাগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোই সর্বিয়াগী নেবাক জোকোবিচ*

*ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট মশান্নদগী পোখারে হায়না লাউথোকখ্রবা পাকিস্তানগী মমিং লৈরবা লৈবাক অদুগী মেটচ কয়া মায় পাকপদা খৌদাং লৌখিবা বেটসমেন সোইব মলিক*

**হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগ সিজন টু – ২০১৫**

# মমৈদা লৈরম্বা কেরলা ব্লাষ্টর্সনা মকোক ওইরিবা এফ সি পুনে সিটিবু ২–০ দা থোইদুনা ৭ শুবদা হাইগৎখ্রে

কোচী, নবেম্বর ৪ ঃ

হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অনিশুবা সিজনগী ঙসি কেরলাগী সহর কোচীদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেডিয়মদা খ্বাইদগী মমৈদা লৈবা টিম ওইখিবা য়ুম্বু কেরলা ব্লাষ্টর্সনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা এফ সি পুনে সিটিবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা য়ুম্বু টিম অদু টিম ৮ গী লীগ অসিদা মমৈদা লৈরম্বদগী ৭ শুবা পোজিসন্দা হায়গৎপা ঙমখ্রে।

লীগ অসিগী ২৯ শুবা মেটচ ওইনা মমাংগী সিজন্দা রর্নস–অপ তাখিবা কেরলা ব্লাষ্টর্সনা য়ুম্বু ওইদুনা চহী অসিগী লীগ টেবলদা পোইন্ট ১৩ ফংদুনা মাংজিল থারিবা এফ সি পুনে সিটিগা শান্নবদা য়ুম্বু ওইবগী খুদোংচাবদু লৌদুনা পাঞ্জল ২–০ দা মায় পাকপদগী টিম অসিনা মমৈদা লৈরম্বদগী নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিবু ইন্থরক্লগা ৭ শুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙম্লিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদু শান্নবা হৌদ্রিঙৈদো কেরলা ব্লাষ্টর্সগী ওইনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দা মমাংদা শান্নখিবা মেটচ ৩ মায়থিবা নংদুনা লৈখিবনি। অমরোমদা মাংজিল থারিবা এফ সি পুনে সিটি মখোয়না হোক গ্রাউন্দগী ৱাংমদা শান্নখিবা মেটচ অমত্তা মায় পাক্তনা লাক্লি। মরম অদুনা টিম অনিমক্না ঙসিগী মেটচ অদু য়াম্না মরু ওইনা মায় পাক্লনবা শেম শাখি।

কেরালা ব্লাষ্টর্সগী মায়কৈদা ফিল্ডদা চংলকখিবা শান্নরোইশিং অদুদি– ষ্টেফেন বাইৱাটর (গোল কিপর), রাহুল বেকি, সন্দেস জিঙ্গান, পিটর রামাগে (কেপ্তেন), সোমিক, জোৱা কোইন্ত্রা, মহেতাব হোশেন, জোসু, সাঞ্জেজ ৱাত, রাফি অমসুং খৃস দগনলনি

অমরোমদা এফ সি পুনে সিটি মায়কৈদগী শান্নবা চংলকখিবশিং অদুদি ষ্টিব সাইমোন্সেন (গোল কিপর), প্রিতম, রোজর জোন্সন, ধরমরাজ রবানন, নিকি সোরি, লেনি রোদ্রিগেস, য়ুগেনসন লিংদো, দিদিয়র জোকোরা (কেপ্তেন), মণিপুরগী জেকিচান, তুনকে শানলি অমসুং কালু উচেনি।

টিম অনিমক হৌরকপদা য়াম্না মান্নবা মওংদা অহানবা পাঞ্জল অদু থিনরকখি। য়ুম্বু ওইখিবা টিম কেরলাগী মায়কৈদগী এটেক তৌবগী চাং খরা হেনখি অদুবু পাঞ্জল চনবা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিল্লকখি হাল্ফ অদুগী অরোইবা মিনিটতা য়ুম্বু টিম অদুগী শান্নরোই রাহুল বেকিনা পীরকপা পাস অমদা ষ্ট্রাইকর খৃস দগনলনা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা এফ সি পুনে সিটিবু অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা ১–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

মেচট অদুগী অনিশুবা হাল্ফ হৌজিল্লকখি পাঞ্জল মাংজিল থারিবা য়ুম্বু কেরলানা এটেক তৌবগী চাংসু হেনগৎপা ঙমখি। মেটচকী ৬০ শুবা মিনিটতা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা খৃস দগনলনা ফংখিবা বোল অমা এফ সি পুনে সিটিগী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা খাইদোরকপদা টিম মেট সানচেস ৱাতনা অনিশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। পুনে পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা ২৯ শুবা লীগ মেটচ অদু কেরলা ব্লাষ্টর্সনা ২–০ দা থোইখি।



*কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদগী রারুল বেকিনা এফ সি পুনেগী শান্নরোই লাম্থোক্তুনা বোল কাওশিন্নবা হোৎনবা*

**POINT TABLE**

| Pos | TEAMS | GP | W | D | L | GF | GA | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | FC PUNE CITY | 8 | 4 | 1 | 3 | 11 | 10 | 1 | 13 |
| 2 | DELHI DYNAMOS FC | 7 | 4 | 1 | 2 | 6 | 6 | 0 | 13 |
| 3 | FC GOA | 7 | 3 | 2 | 2 | 9 | 10 | -1 | 11 |
| 4 | CHENNAIYIN FC | 7 | 3 | 1 | 3 | 11 | 8 | 3 | 10 |
| 5 | ATLETICO DE KOLKATA | 7 | 3 | 1 | 3 | 10 | 8 | 2 | 10 |
| 6 | MUMBAI CITY FC | 7 | 3 | 1 | 3 | 11 | 10 | 1 | 10 |
| 7 | KERALA BLASTERS FC | 8 | 2 | 2 | 4 | 10 | 10 | 0 | 8 |
| 8 | NORTHEAST UNITED FC | 7 | 2 | 1 | 4 | 7 | 13 | -6 | 7 |

**MATCH RESULT**

KERALA BLASTERS vs PUNE CITY

Goal - 2 Goal - 0

MATCH ON 5TH NOVEMBER 2015

CHENNAIYIN FC VS FC GOA

**হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ ফাইনেল**

# মণিপুরদগী চিংলেনসনা অমসুং কোথাজিৎ ইন্দিয়াগী হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ টিম লাউথোকপদা য়াওরক্লে

বেঙ্গালুরু, নবেম্বর ৪ ঃ

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১৭ তগী ডিসেম্বর ৬ ফাওবা ছটিসগর রাজ্যগী সহর রাইপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা হিরো ৱার্ল্ড লীগ হোক্কি ফাইনেলসতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিগদৌরিবা শান্নরোই ১৮ গী মমিং লাউথোরকপদা মণিপুর মচা কাঙুজম চিংলেনসনা সিংহ অমসুং খদাংবম কোথাজিৎ সিংহ য়াওরক্লে।

শান্নরোই ১৮ গী মমিং অসি হৌজিক–হৌজিক্কী ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম্না বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদা চথরিবা নেসনেল কেম্পকী মনুংদা লাউথোরকপনি।

ইন্দিয়াগী খনগৎলবা টিম অসিনা মখোয়গী হিরোক হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ ফাইনেলসকী ওফিসিয়েল ওইবা মেটচ শান্নদ্রিঙৈ মাংওইন্না নভেম্বর ১৯ দগী ২৩ ফাওবা ছটিসগরগী সহর রাজনানগাউ অমসুং রাইপুরদা মেটচ অহুমগী সেরিজ অমা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগদৌরি।

ইন্দিয়াগী হাই পার্ফোমেন্স ডিরেক্টর অমসুং চীফ কোচসু ওইরিবা নেদরলেন্দস মচা রোলেন্ট ওল্টমেন্সনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মীৎয়েং মখাদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম অসি কেম্প তৌদুনা মতম শাংনা লৈরকপা অসিনা শান্নরোইশিং অসিগী মরক্তা য়াম্না চুশিন্নবা অমদি টিম স্পিরিটকী থাক ৱাংনা লৈরি। মসিদসু নত্তনা শান্নরোইশিং অসিনা মমাংদা লৈখিবা মশান্না অদুদগী অনৌবা নমুনা কয়া হাপচিন্দুনা ট্রেনিং চথবদা য়াম্না ফজবা মওংদা ফগৎলক্লি হায়রি।

রোলেন্টনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, হোক্কি কেম্প মনুংদা লৈমিন্নরিবা পুম্নমক্কী মায়কৈদা য়াম্না নুংঙাইবা অমদি অফবা ৱাখল্লোনগী মায়কৈদা শান্নরোইশিং অমদি ওফিসিয়েলশিংনা চংশিল্লি লোয়নননা লাক্কদৌরিবা হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ ফাইনেলস অসিদা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা মখোয়গী মায়কৈদগী খ্বাইদগী পার্ফোমেন্স অদু উৎপা ঙমগনি হায়বগী থাজবসু লৈরি হায়খি। নিংশিংবা য়াই ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম অসি মাংজৌন্না রিও ওলেম্পিক গেমস ২০১৬ কীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবনি।

খনগৎলবা শান্নরোইশিং অদুদি গোল কিপরদা পি আর স্রিজেস (ভাইস কেপ্তেন) অমসুং হরজোট সিং, ডিফেন্দরদা বিরেন্দ্রা লাক্রা, কোথাজিৎ, বি আর রঘুনাথ, জজিৎ সিংহ অমসুং রুপিন্দর পালনি, মিদফিল্ডদা সর্দার সিংহ (কেপ্তেন), চিংলেনসনা, দেবিন্দর ৱালমিকি, মনপ্রিট সিংহ, ধরমবির সিংহ অমসুং দানিস মুষ্টাবানি লোয়ননা ফোর্ৱাদতা এস ভি সুনিল, রমন্দিপ, অকাসদিপ, ললিত উপাধে অমসুং তলৱিন্দর সিংহনি।



*ইন্দিয়াগী হোক্কি টিমদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা চিংলেনসনা অমসুং কোথাজিট*

**চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল**

# মেঞ্চেষ্টর সিটিনা সিবিলা থোইদুনা নোকআউট ষ্টেজ য়ৌখ্রে

সিবিল, নবেম্বর ৪ ঃ

য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং স্পেনগী সহর সিবিলেদা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা সিবিলা ফুটবোল ক্লবপু ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিনা পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখ্রে।

মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী ঙরাং অথেংবদা স্পেনগী ক্লব সিবিলাদা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা টিম অদুনা খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৮ শুবা মিনিটতা সিটিগী মায়কৈদা শরুক য়ারিবা মশাগী চহী ২০ দা ঙাইরিবা রহিম ষ্টর্লিংনগা পাঞ্জল অমা চন্দুনা য়ুম্বু ওইখিবা সিবিলাগী মায়োক্তা পাঞ্জল ১–০ দা মাংজিং থাবা ঙমখি।


পাঞ্জল অমা মাংজিং থারিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা শান্নবগী ১১ শুবা মিনিটতা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা রহিম ষ্টর্লিংনা মহাক্কী টিম মেট ফর্নান্দিনোদা য়াম্না ফজবা বোল অমা পীরকখিবা অদুদগী মেটচকী অনিশুবা পাঞ্জল অনি অদু ফর্নান্দিনোনা চনশিনখি।

স্পেনগী ক্লব সিবিলাগী মায়কৈদগী বেনোই ত্রমোলিনাসনা মেটচ অদুদা মহাক্কী টিমগী ওইনা অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ২৫ শুবা মিনিটতা চন্দুনা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী লীগ মেটচ অদুদা য়াম্না মান্নবা মওংদা পুরকপা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ (দি)গী মেটচ অদুদা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনি চনখ্রবা মতুং টিম অদুগী মাকৈদগী ৱিলফ্রেদ বোনিনা ৩৬ শুবা মিনিটতা টিম অদুগী ৩ শুবা পাঞ্জল চন্দুনা অহানবা হাফ অদু লোইদ্রিঙৈদা স্পেনগী ক্লব সিবিলাবু মখোয়না পাঞ্জল ৩–১ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

লেমহৌবা অনিশুবা হাপকী মিনিট ৪৫ অদুদা সিবিলাগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু শোৎখিবা পাঞ্জল অনি অদু হন্দোকপা ঙমদনা মখোয় মায়থিখি।

চেম্পিয়ন্স লীগ অসিগী গ্রুপ এগী ঙরাং পেরিসতা শান্নখিবা মেটচ অদুদা য়ুম্বু পি এস জিবু স্পেনগী মকোক থোংবা ক্লব অমা ওইরিবা রিএল মাদ্রিদনা পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা মাদ্রিদসু প্রি ক্বাটর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে। রিএল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু নাচোনা চনখিবনি। গ্রুপ অসিদা শাক্তর ডোনেটসনা মালমোবু ৪–০ দা থোইখিবা অদুগা লোয়ননা রিএল মাদ্রিদ মায় পাকখিবা অদুন ডোনেটস প্রি ক্বাটর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



*মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা রহিম ষ্টর্লিং*

## ষ্টেট লেবেল এজ গ্রুপ কেরোম

ইম্ফাল, নবেম্বর ৪ ঃ

ওল মণিপুর কেরোল এসোসিএসননা শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈবা মোইরাং লৈরক মল্টিপর্পজ কম্যুনিটি হোলদা ঙরাংদগী হৌরগা থা অসিগী ৬ ফাওবা চথগদবা ২৫ শুবা ষ্টেট লেবেল এজ গ্রুপ কেরোম চেম্পিয়নসিপ ২০১৫ গী জুনিয়র বোইজতা জেমসেপ অমসুং সদানন্দাগা ফাইনেল শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা জুনিয়র বোইজকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা কে এস ঐচ জোসেপনা এম মহেসপু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। মহাক্কা লম্বা তৌদৌরিবা এম সদানন্দানা কে এস ঐচ ধনেশ্বরবু থোইরম্বনি।

সব জুনিয়র বোইজগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অহুমদা মায় পাকখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি সুরজকুমারবু থোইরম্বা অতল শাইখোম, কে এস ঐচ জোসেপ্পু থোইরম্বা এম মহেশ অমসুং কে এস ঐচ ধনেশ্বরবু থোইরম্বা এম মিরান্দানি।

সব জুনিয়র গর্লসতা টি ঐচ সরদাবু থোইদুনা টি ঐচ লিন্দা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। হায়রিবা কেটগোরি অসিগী অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেলদা পি ইচনতোম্বীবু মায়থিবা পীদুনা কে সুর্জেনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী মনুং চন্না শান্নখিবা সেনিয়র ৱুমেন্সকী কাঙলুপ্তা এস রানিবলাবু এ বিদ্যা চনুনা থোইদুনা বিদ্যা অনিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

**ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট**

# জুনিয়র অমসুং সব–জুনিয়র ইন্টর–দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫ হৌরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ৪ ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মায়কৈদগী প্রেসতা থোরকপা চেরোলশিংগী মতুং ইন্না তোঙান–তোঙানবা নুপা মচা অমদি নুপীমচাগী জুনিয়র অমসুং সব–জুনিয়র ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌরগনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা থা অসিগী ১৯ দগী ১৯ শুবা সব–জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫ হৌরগনি হায়রি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোইশিং অদু এ আই এফ এফ (ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মখাদা সেন্ট্রেলাইজ রেজিষ্ট্রেসন সিষ্টেম (সি আর এস) দা মাংজৌন্না জেজিষ্টর তৌরবা শান্নরোইশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।

অম্ফাগী অতোপ্পা চেরোল অমনা থা অসিগী ১৮ দগী ২৭ শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্টসু পাঙথোক্লগনি অদুগা সি আর এসকী মখাদা রেজিষ্টর তৌবা শান্নরোইশিংনা শরুক য়াবা য়াগদৌরি লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা এন্ট্রি পিখৎলক্কদবনি হায়রি।

অম্ফাগী মায়কৈদগী থোরকপা অতোপ্পা চেরোল অমদা থা অসিগী ১৮ দগী চহী ১৪ মখাদা লৈবা নুপীমচাশিংগী ওইবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫ সু সি আর এসকী মখাদা রেজিষ্টর তৌরবা শান্নরোইশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা ঙসি থোরকপা চেরোলশিং অসিগী মনুং চন্না অতোপ্পা চেরোল অমদা থা অসিগী অরোইবা চয়োলদা ৭ শুবা অম্ফা সেনিয়র ৱুমেন্স ফুটবোল লীগ ফোর বি এম সিংহ ট্রোফি ২০১৫ সু পাঙথোক্লগনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসিগীদমক্তা শরুক য়ানিংবা শান্নরোইশিংনা মখোয়–মখোয়গী দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন অমদি দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসনগী খুত্থাংদা এ আই এফ এফকী সি আর এসকী নিয়মদা টিম অমগী ওইনা লুপা ১০০০ গী ফি পীরগা য়াওবা য়াগনি হায়রি।

## রেফরি খল্লক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৪ ঃ

এ আই এফ এফকী অনিশুবা দিভিজন লীগ মেটচশিংদা মেটচ ওফিসিয়েল ওইনবগীদমক মণিপুরদগী রেফরি ৫ খল্লক্লে।

মখোয়শিং অদুদি কোলকতাগী ওইনা এল প্রিয়োবর্তা, রিনকাহাউ বাশুম, এম দি লতিপ অলি, পি ঐচ লম্বোইবা অমসুং গৌৱাহাটি মেটচকী ওইনা আই রবিচন্দ্রনি।


**ADMISSION STARTS FOR**

**ENGLISH**

**SPECIAL CLASS**

*For the aspirants of all Competitive Examinations*

Class starts: 2-11-2015
Timing: 9.00 am; Duration: 45 days

**SPECIAL FEATURES**

- Updated and Exam-oriented materials to be provided, concepts and techniques to be thoroughly discussed.
- All the relevant topics of the syllabi and questions of different examinations - Applied grammar, Vocabulary in usage, and understanding of comprehension, etc. to be discussed at length.
- Exhaustive Practice sets and Model test to develop competence and confidence.

**CERTIFICATE COURSE ON**

**BASIC COMPUTER APPLICATIONS**

*For all Competitive Examinations*

**COURSE CONTENT:** Basics of Software, Basics of Hardware, Basics of Internet, Microsoft Office (Paint, Word, Excel, Spreadsheet, Slide preparation), Pagemaker, Photoshop, Windows Installation, Typing, Practice with Computer, Online practice class for all competitive exams, Free instructional CD at the end of the Course

Class starts: 9-11-2015
Timing: 9.00-10.30 am
Duration: 3 Months

*Please contact*

**Proactive Academy**
of Competitive Examinations (PACE)
For a Bright Future

KWAKEITHEL BAZAR PHONE: 9206319209



**SOCIAL SCIENCES TUTORIAL CENTRE**
SoibamLeikai, KanglabungLeirak

**ADMISSIONS OPENS FOR CLASSES VIII, IX, X (CBSE/BOSEM)**
(1st Batch Foundation Courses& Revision course 2016)


After producing 9th and 24th Position in HSLC Exam. 2015, once again the 1st Batch Foundation Course of Social Sciences starts from 10th Dec.,2015 in the following timings and Class IX & X for CBSE SA II starts from 18th Oct., 2015 respectively :

| | | |
|---|---|---|
| For Class VIII(CBSE)(BOSEM) | Sundays + General holidays & second Saturdays | (5:00 - 6:15) PM |
| For Class IX(CBSE) | Same as above | (4:45 - 5:45) AM |
| For Class IX(BOSEM) | Monday to Saturday | (5:00 - 6:00) AM |
| For Class IX(BOSEM) | Only Sundays | (3:30 - 4:30) PM |
| For Class X(BOSEM) | Monday to Saturday | (7:15 - 8:15) AM |
| For Class X(BOSEM) | Monday to Saturday | (4:30 - 5:30) PM |
| Class X(CBSE)(SA-II) | Sundays + General holidays & second Saturdays | (6:00 - 7:00) AM |

N.B. 1st Batch Revision Course commencing from 16th October, 2015 from 5:45 pm- 6:45 pm and admitted students of revision course of HSLC Exam.,2016 may kindly collect the suggestion of social sciences from 1st Oct., 2015.



Nafisha Ali
9th Position in HSLC'15
(95% in S/Sc.)
St. George School, Wangkhei



LaishramAmarjit Singh
24th Position in HSLC'15
(89% in S/Sc.)
Ajad English School, Nambol

TSE/38037-10

Soibam Robin
Former JNV/PGT
28 yrs. teaching exp.
#98563-57971/94029-12272



**DAYAL MACHINE BRICK AVAILABLE**

| Class | Rate | No. of Brick | Amount | Transport | Labour Charge | Total amount |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 9.50 | 3000 | Rs. 28,500 | Rs. 1800 | Rs. 700 | Rs. 31,000 |
| " | " | 1500 | Rs. 14,250 | Rs 1300 | Rs. 350 | Rs. 15,900 |
| " | " | 1000 | Rs. 9,500 | Rs. 900 | Rs. 250 | Rs. 10,650 |
| 2nd | Rs. 9.00 | 3000 | Rs. 27,000 | Rs. 1800 | Rs. 700 | Rs. 29,500 |
| " | " | 1500 | Rs. 13,500 | Rs. 1300 | Rs. 350 | Rs. 15,150 |
| " | " | 1000 | Rs. 9,000 | Rs. 900 | Rs. 250 | Rs. 10,150 |
| 1st Rej. | Rs. 8.00 | 3000 | Rs. 24,000 | Rs. 1800 | Rs. 700 | Rs. 26,500 |
| " | " | 1500 | Rs. 12,000 | Rs. 1300 | Rs. 350 | Rs. 13,650 |
| " | " | 1000 | Rs. 8,000 | Rs. 900 | Rs. 250 | Rs. 9,150 |
| Petty | Rs. 7.00 | 3000 | Rs. 21,000 | Rs. 1800 | Rs. 700 | Rs. 23,500 |
| " | " | 1500 | Rs. 10,500 | Rs. 1300 | Rs. 350 | Rs. 12,150 |
| " | " | 1000 | Rs. 7,000 | Rs. 900 | Rs. 250 | Rs. 8,150 |
| 3rd. | Rs. 4.50 | 3000 | Rs. 13,500 | Rs. 1800 | Rs. 700 | Rs. 16,000 |
| " | " | 1500 | Rs. 6,750 | Rs. 1300 | Rs. 350 | Rs. 8,400 |
| " | " | 1000 | Rs. 4,500 | Rs. 900 | Rs. 250 | Rs. 5,650 |

Please Contact : 8729803571

**M/S N. JILLA & SONS BRICK FIELD**
Langjing Pungjao Makhong
Near Don Bosco School, Imphal